## এডিটোরিয়েল

### হার মুন্নবগী ৱাথোক

*হন্দক্কী চহী অসি কুম কাংবা চহী অমা ওইরগদ্রা হায়বগী মীপায়বা অমা মীয়ামদা হৌজিকসু পোক্লরি। মসি হঞ্জিন–হঞ্জিন ষ্টেট অসিদা থোকখিবা ঈচাওনা মরম ওইরগা মতম চানা লৌউ–শিংউগী থবক পাঙথোকপদা অপনবা কয়া লৈখিবা অমসুং ঈচাওশিংগী মমাঙদা লিংনখিবা লৌবুক কয়াদা কাংদোং ফারক্লবা ফৌ পান্থী কয়া পাক্তক্লনা মাংহনখিবা অদুদগী মীয়াম্না খন্নরকপনি। মসিগী মথক্তা ঈচাওশিং অদুনা মরম ওইরগা ঙায়োক ফার্ম কয়াগী পোখোকশিংসু হন্দক্কী চহী অসিদা হান্নগী চহীশিংগা য়েংনবদা য়াম্না শাথিনা তাথবা চাংদা লৈগদ্রা হায়বসি মীয়াম্না খন্নরি। হন্দক্কী ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা হৌজিকসু মরম খঙদবদা ঙা কয়া শীদুনা তাউখৎপা অমসুং করিগুম্বা তুরেল অমদি পাৎকী শরুক্তনা ঙাশিং কাখৎপগী মওংদা মীয়াম চংদুনা ফানবগী থৌওং কয়া থোক্লি। মসি ঐখোয়গী ইনভাইরোনমেন্ট অসিদা টোক্সিক ওইবা পোৎলম কয়া শীজিন্নরকপদগী থোকপা থৌওংশিং ওইগদ্রা হায়বগী চীংনবা লৈ। মহৌশাগী খল কায়রকপদগী ঈশিং–নুংশিৎকী ফিভমনা অকায়বা কয়া পীরকপগা ইরোইননা চেকশিলহৌদবা মওংদা মীওইবনা শীজিন্নরিবা তিলহাৎ হিদাক অমদি কেমিকেলগী ওইবা অতৈ পোৎলম কয়া অসিনা ঈচাওগী ঈশিংদা য়াওখিবদগী চীং, পাৎ অমসুং তুরেলগী লৈরিবা ঈশিংগী খোঙলম কয়া অসিদা চেন্থখিদুনা হায়রিবা ঈশিংদা লৈবা জিব পানবা কয়াদা চৈথেং অমা পীরিব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরে। মরম অসিনা হায়রিবা টোক্সিক মেটরিয়েল অমদি কেমিকেলশিং অসি শীজিন্নবদা লৈঙাক্কী ওইবা তোঙানবা থৌশিল অমা য়াখোক্তুনা থিংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈব্রা হায়বদুসু ঙসিগী লৈঙাক মপুশিংনা খন্থহন্নিংই। লৈঙাক অসি হান্নগী চহী ১৫ চুপ্পা পানখিবা লৈঙাক অদুদগীদি তোপ–তোপ্পা য়াম্না পোজিটিব ওইবা মীয়ামগী খনবা লৈঙাক অমা ওইগদ্রা হায়বগী থাজবা কয়া অমা মীয়ামদা লৈবদগী অওনবা অসি পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌখিবনি হায়বা য়াই। অনৌবা লৈঙাক অসিদা মরু ওইবা থৌ পুরিবা মীওই কয়াদি চহী নৌরিবা অমসুং য়াম্না ফোর্সফুল ওইবা, মশাগী প্লানিং লৈবা মীওইশিংনা অয়াম্বনি হায়না লৌবা তাই। মীয়াম্না মখোয়দগী থাজবা থম্লিবসি পোজিটিব ওইবা লৈঙাক অমা শোইদনা লাক্কনি অমসুং মদুনা মরম ওইরগা লমদমসিগী মীয়াম অসি মান্নবা থাক্তা চাকথুং পীদুনা চপ মান্ননা চাওখৎমীন্ননবা হায়বদুগী অনৌবা খোঙথাং অমা ওইগনি হায়বসিনি। মরু ওইনা ষ্টেটসিদা খম–থেংনা হন্দক্কী ঈচাওনা শোকহনখিবসি ফার্মরশিংনি। অদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা অথেংবদা লিংবা য়াবা ফৌ মখলশিংগী ফৌদি অমদি লৌহোন পীদুনা লৌফম কয়া অমুক নৌনা লৌ লিংনবা হোৎনরি। অসিগুম্বা চীরবা তানফম অসিদা ঙামীশিংগীদমক্তসু তোঙানবা থৌশিল অমা শোইদনা পায়খৎলকপা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ। হায়রিবা মতম অসিদদি লৈঙাক পুবদা য়াওরিবা কেন্দ্র ৬০গী মীহুৎশিংনা লৌমী শীন্মীশিংগীদমক মরু ওইনা ফার্মরশিংগীদমক পায়খৎপা য়াবা য়াইফ থৌরাং পুন্বা খুৎশন্নদুনা মরী লৈনবশিংদা য়ৌহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।*

*অদুবু অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা লৌমীশিংগীদমক পুশিল্লকপা হারশিং অঙম–অথৌ ওইরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা দিপার্টমেন্টকী ষ্টোর য়ৌরক্লিঙৈদা শক্তি শীজিন্নদুনা লাক্লরগা মাগী মাগী কেন্দ্রদা পুনবা হোৎনরকপা হায়বসি সিষ্টেম লৈতবা লৈঙাক অমগী থৌওংনি হায়না লৌবা তাই। মমাঙগী লৈঙাকশিংদসু লৌমীশিংনা হার ফংনরক্তবা মতমদা এম এল এশিং অমদি মিনিষ্টরশিংনা অঙম তান্নদুনা হার গারীশিং পুনখিবগী অচৌবা ৱাথোক অমা ওইখিবনি। মদুগুম্বা থৌওং অদু মীয়াম্না কয়ামুক য়াম্না হন্থবা থাক্তা লৌনখিবগে হায়বদু ঙসিগী মীহুৎশিংনা অমুক্তং হঙ্গৎনা য়েংবা দরকার ওই। মশা মশাগী কেন্দ্রগী লৌফমশিংগী খনবগী মহুৎতা ষ্টেটসিগী লৈরিবা লৌবুক খুদিংমক্কী অমসুং লৌমীশিংগী খন্না অহান অকোন খাইরগা হৌজিকমক হারশিং অদুগী তঙাইফদবা লৈরবা লৌফমশিংদা চাইনবা পীথোকপা চুম্মী। হারগী মমল য়ুরিয়া বেগতা লুপা ৩০৪ পীরিবা অদু ব্লেকতা লুপা ৮০০ হেন্না য়োল্লিবা মফমশিংসু থিগৎলগা ফাগৎপগী মথৌ তাই। হার মুন্নবগী মহুৎতা মমল তাংদা য়োল্লিবা মফমশিং অদুদগী ইশাগী শক্তি শীজিন্নরগা মুল্লুবনা হেন্না অফবা ওইরোইদ্রা।*

## *এডিটরদা থারকপা চিঠি*

### মীতোপ চংলকপা থিংবদা মীপুম খুদিংমক থম্মোয় শেংবা মথৌ তাই

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

হৌজিক লৈবাক অসিদা নোংমা কাংদনা মীতোপ চংশিল্লকপগী অচৌবা মরম অমা ওইরিবসি লৈঙাক্কী অশোনবদগীনি হায়না লৌজে। মরমদি লৈঙাক্না থম্মোয় শেংদবগা লোয়ননা লমদম অসিগী খনবীদুনা খোঙথাং খরদং লৌখৎপীরবদি মীতোপশিংনা য়াম্না লায়না চংশিল্লক্লিবা অসিদগী খরমখৈদি কনবা ঙমগনি থাজে। মরম অদুনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌবিরিবা ওফিসারশিংনা অচুম্বা অদুতবু তৌরক্লবদি লৈবাক মীয়াম্না মীপায়রিবা অসিদগী কোকপা ঙমগনি থাজে।

লৈঙাক্না লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা

১। ইলেক্ট্রোরেল রোলদা য়াওখ্রবা মীতোপশিংগী মমিং অসি অহানবদা লিষ্ট আউট তৌবা অদুগা লোয়ননা ওফিসিয়েল লিষ্টতগী লৌথোকপা।

২। লোকেল ক্লবশিংদা রেসপোন্সিবিলিটি ফিক্স তৌদুনা লৈকায়দা লৈরিবা নন–লোকেলশিং লৈহন্দবা অমদি নৌনা লাকপশিংদসু চংজফম পীদবা।

৩। অতৎ অখম লৈতনা নেসনেল হায়ৱেশিংদা নোংমা কাংদনা চংশিল্লক্লিবা নন লোকেলশিং চংহন্দবা।

৪। য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদগী খোঙ লম্বীদা চংশিল্লক্লিবা অসিসু থিংবা ঙম্লগদি হেন্না অফবা ওইগনি থাজে।

অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোকপীরবদি মীতোপশিংনা লাইনা চংলক্লিবা অসিদগী থিংবা ঙমগনি খঞ্জে। থবকশিং অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্লা ৱাখল তাবা অমদি থম্মোয় শেংবা মথৌ তাই হায়না লৌজে।

*অদোমগী*
ষ্টৈৱার্দ মোইরাংথেম
য়াইরিপোক বামোন লৈকাই

# মণিপুরদা লোয়বদা চান্নবা মখলগী অফবা ষণ খনবা

## –ডা ৱাই বীরহরি সিংহ–

মণিপুরদা চান্নগদবা অফব ষণ খনবা অসি য়াম্ন তঙাইফদে, চীং–মান অমদি তম্পাক্কী ফিভম অমদি নুংশিৎ–নুংশা, অইং–অশাগী চাঙ কয়া য়েংলগা চান্নগদবা ষণ খনবা ফৈ। ভারতকী মফম অতৈদা অফবা শঙ্গোম থোকপী ষণ মখল কয়ামুক লৈ। মখোয়শিং অদুদি রেড সিন্ধি (Red Sindhi), সহীৱাল (Sahiwal), হরিয়ানা (Hariana), থারপারকর (Tharparker), কনকরেজ (Kakkrej) অমসুং গীড়নচিংবা (Gir)। অসি নত্তবা অতৈ–অতৈ বীদেসি কয়াদগী অফবা শঙ্গোম থোকপী ষণ কয়াসু ভারত্তা ফংই, অদুদি জরসি (Jersey), হোলষ্টেন –ফ্রেসিয়ান (Holstein Freinsian), রেড দান (Red Dan) অমসুং ব্রাওন সুইজ (Brown Swiss) নচিংবনি।

মথক্তা পনখ্রিবা ভারত্তা ফংবা অমদি বীদেসিগী ষণ মখলশিং অসিদগী মণিপুরগী ভেটেরিনরি বীভাগনা চহী কয়া চাংয়েংবদগী খংবা ঙম্লে মদুদি মণিপুরগী লমসিগী নুংশিৎ–নুংশা, অইং–অশাগা চান্নবা ষণ মখলদি রেড সিন্ধি (Red Sindhi) অমদি ভারতকী ৱাংমদগী পুশল্লকপা জরসি (Jersey) হায়বা ষণ মখলশিং অমসুং হোলষ্টেন–ফ্রেসিয়ান হায়রিব ষণ মখলশিং অসিনা মণিপুরদা খ্বাইদগী চান্নব ওইরে। ষণশিং অসিগী তোঙান–তোঙানবা মওং মতৌ অমসুং ফীভমগী মরমদা উত্তুনা তাক্লি।

**রেড সিন্ধি (Red Sindhi)**

ষণ মখল অসিগী হৌরকফমদি পাকিষ্টানগী করাচি অমদি হাইদ্রবাদ লমদমগীনি অদুগা



রেড সিন্ধি লাবগী শক্তম

হৌজিক্তি ভারতকী মফম অয়াম্বদা ফংলে। ষণ মখল অসি শঙ্গোম থোকপতা নত্তনা শম্পোৎ খোয়নবা অমদি গাড়ি চিংনবদা য়াম্ন পাম্নে, মরুম নিংথিনা চাওই, মচুদি অয়াম্বনা ঙাংনা মুরৈনে, মরাইবক তোংই অমসুং পাকই। মচি থোয়না শাংদে, মিৎপান থাই, মনা শাংতক তৌই, মথা পাকই অমসুং চৌম্থে। মমৈ শাংই অমসুং মমৈ মতোন মুই। চাওরাক্লা মশাগী অরুম্ব কে জি ৪০০ দগী ৫০০ ফাওবা ওই। শঙ্গোমগী খোমথোক্তি



রেডসিন্ধি অমোমগী শক্তম

নুমিৎ ৩০০ নিদা লিটর ২০০০ দগী ২৫০০ ফাওব থোকই। রেড সিন্ধি ষণসি মবুক তপ্পা, খাংবা কনবা, অইং–অশা খুদিংমক্তা নিংথিনা হিংবা ঙম্বা, মণিপুরদা য়াম্ন পাম্নবা ষণ মখলনি। ষণ মখলসিগী মওং মতৌ লাবা অমসুং অমোমগী ফোটো উৎতুনা তাক্লি।

**জরসি (Jersey)ঃ**

ষণ মখল অসি ইংলেন্দগী জরসী কৌবা ইথৎ অমদগী হৌরকপনি। জরসি ষণ মখলসি মণিপুরগী অমদি ভারতকী মফম অয়াম্বদা য়াম্না পাম্না লোইনৈ। মখোয়সি শঙ্গোম য়াম্না থোকপী মখলগী ষণ ওইবনা ভারতকী অমদি মণিপুরগী মহৌশাগী লৈজরম্বা ষণ মচা ধার শন্দোক্লবা হোৎনবদা য়াম্না মাই পাক্লে। জরসি ষণগী ময়াম্ন



জরসি লাবগী শক্তম

পাম্নবা মগুন খরা লৈ–মদুদি ষণবীশিং থোইনা পংচাও চাওদবা, থুনা মপুং ফাবা, চহী অমা মখায় দগী অনি হেক শুবগা মচা ধার লৌবা য়াবা, মচিঞ্জাক থোইনা য়াম্ন তিংদবা, শঙ্গোম য়াম্না থোকপা, মতম শাংনা শঙ্গোম গুম্বা য়াবা অমসুং ভারত অমদি মণিপুরগী অইং–অশাদা ফজনা



জরসি অমোমগী শক্তম

হিংবা ঙম্বা মখলনি। অশেংবা জরসি ষণগী মচুদি ঙাংলৈনব নৎত্রগা ৱাওথাংনবা (Redish or Grey) ওইগনি। করিগুম্বদা অঙৌবা মপাক্লা মনা ময়াদা, শেগ্রাকতা নৎত্রগা মখোয় ময়াদা লাঙবা উগনি। মরুম য়াওদে, মমাই কোইদানৈ। মমিৎ তোঙই অমসুং লঙই, মঙক শাংতক তৌই, ময়াঙলেন তিংই, মনিঙগী মখোঙ অনী ফাক্তক তৌই। জরসি ষণবীদি কিলো ৩৫০ রোম লুমই অদুগা লাবনা কিলো ৪০০ দগী ৫০০ ফাওবা লুমই। শঙ্গোম খোমথোক্তি নুমিৎ ৩০০ নিদা লিটর ৩০০০দগী ৪০০০ ফাওবা থোকপা য়াওই। জরসি ষণগী লাব অমদি অমোমগী চিত্র উৎতুনা তাক্লি।

**হোলষ্টেন–ফ্রেসিয়ান (Holstein Freinsian)**

ষণ মখল অসি মপাল লমদগী পুথোরকপা



হোলষ্টেন–ফ্রেসিয়ান লাব

শঙ্গোম য়াম্ন থোকপী ষণ মখলনি। হৌজিক মণিপুরদা মীশিংনা য়াম্না পাম্ন লোইখৎনরক্লি। ময়াম্না ষণ মখল অসিবু ফ্রোসন হায়নসু খংনরি। ষণগী মুচদি মহৌশানা অমুবদা অঙৌবা মপাক্লা লাংই। মপুং ফাবা ষণবী অমগী অরুম্বসি কিলো ৫০০ দগী ৬০০ ফাওবা লুমই। মচি অনিমক



হোলষ্টেন–ফ্রেসিয়ান অমোম

মমাঙলোমদ ইশাং–শাংদনা কোন্তক তৌনা হৌই। ষণ অসিগী হৌরকফমদি ইংলেন্ড অমদি হোলেন্ডদগীনি অদুবু ভারতকী মফম অয়াম্বদা ষণ অসি শঙ্গোম থোকপী অমা ওইনা য়াম্না পাম্না লোইখৎনরক্লি। শঙ্গোমগী খোমথোক্তি নুমিৎ ৩০০ নিদা লিটর ৪০০০ দগী ৫০০০ ফাওবা য়ৌনা থোকই। মখাদা ষণ মখল অসিগী লাব অমদি অমোম অনিগী মওং মতৌ উৎলি।

**মণিপুরদা মহৌশাগী ষণবী অমদি ষণ লাবঃ**

মণিপুরদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ষণ লাব অমদি ষণবীশিংসু য়োকখৎপা দারকার ওই। মণিপুরগী ষণ লাবশিংদি মশা মউ য়াম্ন চেকশিল্লি



মৈতৈ ষণবী

হেন্না চাওদে। মচুদি অমুবা নৎত্রগা কোনাবী মচু ওইগল্লি। মচি থোয়না শাংদে, মমৈ শাংই অমদি মতোন্দা চামোর ফজনা লৈ। মখোয় অসি থবক য়াম্ন ফৈ, মরিংজেল লৈ। শম্পোৎ খোয়বা অমদি গাড়ি চিংনবদা মপা লৈতে।

অমরোমদা মণিপুরগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা



মৈতৈ ষণ লমচা লাবা

ষণবীশিংসু য়োকখৎপা দরকার ওই। ষণবীগী মওংদি পংচাও চাওদে, মবুক নোয়দে, চাবসু য়াম্না চাদে, শঙ্গোমসু য়াম্না থোক্তে। অয়াম্বদা লিটর ২–৩দগী হেন্ন থোক্তে। মশাগী মচুদি অয়াম্বনা অমুবী অমদি ঙাংলৈনবা ওইগল্লি। অদুবু শঙ্গোম খর হেন্ন থোকহন্নবা অমদি শঙ্গোমগী দরকার য়াম্না লৈরকপগী মতুং ইন্না হৌজিক সাইন্সকী মতম অসিদদি মহৌশাগী ষণবী অসিদা খুৎশেমগী পাম্বে শীজিন্নদুনা ক্রোস ব্রিডিং তৌদুনা অফবা শঙ্গোম থোকপী ষণবী কয়া পুথোকপা য়ারে। মখোয়গী মওং ফোটো উত্তুনা তাক্লি।

**শঙ্গোম থোকপী ষণবীগী শওং–শদা ঃ**

ষণবীগী মউনগী মতু অকুপ্পনা কুপশনবা, শিৎনানবা ওইগদবনি। মমাই কোইদানবা, মচিনলোমদা লোরোয়না হুইথবা অদুগা মচিনবান পাকতক তৌবা, মমিৎ মনা তরু–তরুবা, মচি তেন্তক তৌবা, চৎপদা মকোক থাঙ্গৎলপ্পা চৎপ, ময়াঙলেন শাংতক তৌব ওইগদবনি। নিঙ্গোংগী শরু পাকপা, মনিংগী মখোঙ ফাক্তক তৌবা, মখোম চাওথোরক্লবগী কা মরাঙ কায়না লৈবা অদুগা মখোমগী খোমজিন মরি চাঙ চানা পানবা ওইগদবনি। মখোমগী খোমজিন মরিদগী তানা নৎত্রগা হেন্না পানবসু ফত্তে। মবুক মখা ওইরপ্পা শঙ্গোমগী শিংলি (Milk Vein) চাওনা লৈব খনবীগনি। মঙক শাংতক তৌবা, মমাঙগী মখোঙ



শঙ্গোম থোকপী ষণবীগী শক্তম

অনীগী শরু তোংতক তৌনা লৈবা, থবাক্কী শরু নোয়দবা (Slim) ওইগদবনি।

শঙ্গোম থোকপী ষণবী খনবা মতমদা মশাগী শওং শদা য়েংবতা নৎতনা করম্বা মখলগী ষণ লাবগী ধারনো অদুগা মাবু হেক পোকপী ষণবীদুনা নোংমদা শঙ্গোম লিটর কয়া থোকখিবগে নৎত্রগা নুমিৎ ৩০০ নিদা পুন্না শঙ্গোম লিটর কয়া পীখিবগে হায়বনচিংবা রেকোর্ডনচিংব য়েংলগা ষণবী খনবা য়াম্ন দরকারনি। মরমদি ষণবীগী শঙ্গোম থোকপগী চাঙ অসি মপাশা ওইরিবা ষণলাবা অমদি মাবু পোকপী ষণবীদুগী শঙ্গোম খোমথোক্কী মতুঙ ইল্লি। মথক্তা শঙ্গোম থোকপী ষণবীগী শওং–শদা উৎলি।

**মশা–মউ ফবা ষণবী খনবাঃ**

শঙ্গোম থোকপী ষণবী খনবদা, মশা–মউ ফবা, লায়না চেন্দবা ষণবী খনবা য়াম্না তঙায়ফদে। মশা ফবা ষণগী মওং মতৌসি মুন্না য়েংশিনবীগদবনি ঃ–ষণবী অদু লেপ্পদা নৎত্রগা কুন্দুনা লৈবদা মরাই থাঙ্গৎতুনা শগুপ শায়দুনা, মমিৎ মনা তশিং তশিংনা লৈবা উগনি। মনা অনীমক তোয়না হুমগনি, মনাতোন শুমাঙ মতম অয়াম্বদা চোৎ চোৎ লাওনা লৈগনি। মশাগী মউন কুপ্লিবা মতু অপুন্বা লংনা লৈবা, পায়বদা য়াম্না শাদবা য়াম্নসু ইংদবা মওংদা লৈগনি। মশা ফবা ষণদি চিংবদা মঙক থাঙ্গৎতুনা নিংথিনা ফিভম মূর্তি কায়দনা চৎপা উগনি, মমৈ চাঙ নায়না হায়গনি। মহৌশানা ষণগী মথীদি থোৎলি, য়াম্ন কন্দবা নৎত্রগা মহী লাঙবা ওইরোইদবনি। মখোম খোমজিন মরিমক ইরায়–লায়না চিংথোক–চিংশিন য়াগনি অদুগা অকনবা অপোমবনচিংবা লৈবা থেংনরোই। চাবোকফম (Vagina) দসু অকায়বা অশোয়বা লৈরোইদবনি।

# খামেন্দা তাগনবা তীলশিং অমসুং মখোয়গী কানবা

**১। খামেনগী মহৈদা হুৎপা তীল ঃ–**

তীল মখল অসিনা খামেন্দা নত্তনা মাগা শাগৈ তিন্নবা (সোলানাশিফেমিলিগী ওইবা) অতৈ পাম্বীশিংদসু শোকহল্লি। করিগুম্বা কান্দা অশংবা হৱাইথরাক্কী মহৈদসু তাবা থেংনৈ। মসিগী হন নৎত্রগা কোবী তীলগুম্বা মপী ফাদ্রিবা মচা (কেটর পিল্লার) শিং অদুনা নীংথম থাদা লোত্তুনা লৈরগা বসন্ত ঋতু হৌগৎলকপা মার্চ এপ্রিল থাদা মপী ওন্নবগীদমক মহুম হায়দুনা কুরাক মপীদু ওল্লকই। নুমিৎ ২–৫ ফাওবদমক হিংল্মবা মপী অদুনা মরুম ৮০–১২০ ফাওবা নাইতোম নাইতোম নৎত্রগনা ২–৪ ফাওবগী চবুন চবুন ওইনা মনাগী মখারোমথংবা নাকল, মপাল তম্বগী ময়োল অমসুং মহৈগী পানফম নচিংবদা কোকশিল্লি। মরুমশিং অদুনা কেটরপিল্লার ওন্দুনা থোরকপদা নুমিৎ ৩–৬ নি চঙই। মচা হেক ওল্লকপদা তীলশিং অদুনা মতোল্লোমগী অথোৎপা পাম্বীগী শরুক্তা অমদি মপানগী ময়োলশিংদা নৎত্রগনা মহৈগী মনুংদা চঙখি। খুদোং হেক চাবগা মখোয়গী লৈফম অদু হোৎনবা হোংনদুনতা লৈবনা তীল অমখক্লা উহৈ ৪–৬ ফাওবা মাঙহল্লি। হন মচা অমনা নুমিৎ ৯–২৮ ফাওবগী মনুংদা শারেপ ফানবা থেংখাঙ মঙারক শক্লোন হোংই। মপুং ফানা চাওরবা মতমদা উহৈ মনুংদগী থোক্লত্তুনা অকেনবা মনাশিংগী মরক্তা তীল মহুম হায়দুনা লৈ। মদুদগী মপী ওন্দুনা থোরকপদা নুমিৎ ৬–১৭ নিরোম চঙই। অসুম্না মখোয়গী মপুন্সি অমা মপুং ফাবদা নুমিৎ ২০–৪৩ নি ফাওবা চঙবা য়াই।

**তীল অসিনা মাঙহনবা ঃ–**

মতোনগী শরুক্তা মখোয়না হুৎলুবা মতমদা খামেনশিংবু মতোন শোইরোমহল্লি। শরত ঋতুদদি উহৈশিং মাঙহনবা ঙম্বগী চাং অসি য়াম্না ৱাংই। মহৈ খুদিংমক তীলখুন হুৎলম্বা য়াই।

**কন্নবা পাম্বৈ ঃ–**

তীল অসিনা হুত্তোল্লবা মশা অমদি উহৈশিংগা লোয়ননা অকেনবা মনাশিং পুম্বা খোমদোক্তুনা মৈদা থাদোক্কদবনি। মফম অদুদা খোকমন লোক্লবা থবক পায়খৎলোইদবনি। মুল্লক্কদৌরবা মহৈ পুন্নমক হেক্তোল্লগা হীদাকশিং অসিদগী অমা খল্লগা ঈশিং লিটর ১০ গী চাংদা য়াল্লগা নীংথিনা কাপথোকপীয়ু ঃ

ক) এন্ড্রোসলফান ই সি ৩৫ (মিলি লিটর ৩০)

খ) ফেনভেলেরেট ই সি ২০ (এম এল ৫)

গ) সাইপরমেথ্রিন ই সি ১০ (এম এল ১০)

**২। খামেনগী পাম্বীদা হুৎপা তীল ঃ–**

তীল মখল অসিনা খামেনদা অদুক হাক্লা মাঙহনবদি নত্তে। তীল অসিনা মার্চতগীনা ওক্টোবর থা ফাওবসিদা মথি ফোংলকই নীংথম থাদদি মসিগী কেটরপিল্লারশিংনা অরিবা পাম্বীশিংদা লোত্তুনা লৈ। মার্চ থা হৌরকপদা মপী ওন্ননবা মহুম হায়রগা অরোইবা থাখায়দা নুমিদাংগী মতমদা হৈনবা কুরাক–মৈরাম্বী ওইনা থোরকই। মখোয়না অনৌবা মনাগী মনমদা নৎত্রগা অশাংবা মশা লোঙফম কারোংদা মরুমশিং অদু চোইনা নৎত্রগা চবুন নাইনা কোকই। মপী অমনা মরুম ১০৪–৩৬৩ ফাওবা চয়োল অমগী মপুন্সিদা কোক্লম্বা নঙই। মতুংগী নুমিৎ ৩–১০ নি ফাওবগী মনুংদা ওল্লকপা মচাশিংদুনা মিনিট খরদং মপাম্থংবা কুয়োমদা চারম্লগা মনুংদা চঙখিদুনা মপাম্বী নৎত্রগা মশাদা শাংনা হুৎলুই। মফম অদুদা মপুং ফানবা থেংখাঙ ৪–৫ চঙনা শারেপ তানবদা নুমিৎ ২৬–৫৮ ফাওবা চঙই। অদুগী মতুংদা মপী ওল্লক্লবগীদমক্তা মখুল অদুদা নৎত্রগা লৈমায়গী অহোবদা লশিং মফোলগুম্বনা য়োমশিন্দুনা নুমিৎ ৬–৮ নি মহুম নাই। অসুম্না নুমিৎ ৩৫–৭৬ ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী মপুন্সি মপুঙ ফাই।

**মখোয়না মাঙহনবগী মওং ঃ–**

মরুমদগী হেক ওনবদগী মপী ফাদ্রিবা কেটরপিল্লারশিংনা মপাম্বীগী শরুকশিংদা হুত্তুনা চায় অমসুং মখোয়না মহৈদা শোকপা কৈদৌঙৈদসু থেংনদে। শোক্লবা মফমশিংদা য়েংবদা লন্না–লন্না খুইথবা অমদি কংলবা মশাশিং উবা ফংই।

**কন্নবা পাম্বৈ ঃ–**

তীল অসিনা নীংথিনা তাখ্রবদি খামেনগী খোকমন য়োকপগী থবক তৌররোইদবনি। খুইথরবা পাম্বী পুম্বা ফুক্তুৎলগা মৈদা থাদোক্কদবনি। মখাদা পীরিবা হীদাক অনী অসিদগী খুদোংচাবা য়েংদুনা থাখায় অমমম কান্নরগা মরিরক হন্না কাপথোকপা ফৈ।

ক) মালাথাইওন ই সি ৫০ (এম এল ১–গা ঈশিং লিটর ১০ গা য়ানশিন্নবা)।

খ) দাইক্লোরোভোস ই সি ১০ (এম এল ৫ গা ঈশিং লিটর ১০ গা য়ানশিন্নবা)।

**৩। খামেন মনাদগী মহী চুপ্পা সেল–বগ ঃ–**

কুপ্লবা তীল অসিগী মপী অমসুং মচাশিংনা মনাদগী মহী চুপথোক্তুনা নাপু মচুগী দাগফমশিং লৈহল্লি। আগষ্ট, সেপ্টেম্বরদা নম্না তাগল্লি। মসিদগী কন্ননবা দাইমেথোয়েট ই সি ৩০ গী এম এল ১৫ দং ঈশিং লিটর ১০গী চাংগা য়ান্নরগা কাপ্পীবা য়াই।

**৪। চাইশ্রা (হাদদা বীটলস) ঃ–**

চাইশ্রা মপী অমসুং মপী ফাদ্রিবা মচাশিংনা মনাগী মথক থংবা নাকল্লোমদগী চারক্তুনা মাঙহল্লি। মাবু ঙাকথোক্লবগীদমক মালাথাইওন ই সি ৫০ গী এম এল ১০ দং ঈশিং লিটর ১০ চাংগা য়ান্নরগা কাপথোকপা য়াই।

**নবকিশ্বর ঙাংবম**

# লৌ লিংবা

লায়না তিননা তাহন্দবা, নাপী হৌহন্দবা, ঈশিং ৱাৎহন্দবা ফৌগী মচিঞ্জাক শুনা পীজবা ঙাক্তনা শঙমদা ফৌবোৎ ৩০ / ৪০ থোকহনবা ঙম্লোই। শঙমদা ফৌবোৎ ৩০ / ৪০ থোকন্নবগীদমক লৌশেল অমদা চুক ২০০০০দগী ২৫০০০ ফাওবা লিঙ্গনি। পান্দোং অমগা গ্রাম ২৫দগী ৩০ ফাওবা ফংনবা মরু চংবা ফৌ পান্দোং অমদা ৯০০ দগী ১০০০ ফাওবা পুথোক্লবা পান্দমফম থম্বা তাই। লৌ লিংবদা ফুঙ্গা নুংদুম শানা লিংবগী মহুত্তা পরেং ওইনা লিংবনা চুক মশিং শুনা লিংবা ঙমই। পরেংগা পরেংগা হুই অমা লাপনা চুক অমগা চুক অমগা খুদোল ৪ লাপ্পা, চুক অমদা লৌহোন ৩ / ৪ লিংগনি। লৌহোন খনবা নত্রগা য়াম্না থাজিনবনা চাথোক হন্থহল্লী। লৌ লিংবা মতমদা তাঙ অমদগী হেন্না লুথনা লিংলোইদবনি। লৌহোনগী মখ্বাংদা নমদুনা লৌ লিংবনা মচা পোকপা অমসুং খুৎলোনবা তপ্পী।

খুৎলোনবা থুনবা, মচা য়াম্না পোক্লবা ফৌ পাম্বী অদু চপ য়ুংনা লিংনবা হোৎনগদবনি। ফৌনা, ঙাম–ঙাম তৌনা লিংবদগী চপ য়ুংনা লিংবনা লৌ ফগৎপা হাল্লী। লৌ হেক লিংবা খুৎ–থাবগা ঈশিং থাজিনবা অমসুং অকনবা নোংজু মাইয়োক্লরবদি চুকপাল ফুকই। লৌ লিংখ্রবা মতুং পুং ২৪ শুরবদি য়াম্না তপ্পা লৌপাক ঈশিং চনবা য়ারে তৌবতদি ইঞ্চি ১ / ২গী চাংদগী হেন্না লুহন্দনা থমগদবনি। ঈশিং লুনা থম্বনা ঈশিংনা ফৌ চাথোকই।

লৌ লিংলবা মতুং চয়োল অহুমগী মনুংদা পোকপা ফৌ মচাশিংতনা মপুঙ ফাবা চরোং পাল্লকই। মসিগী মতুংদা পোক্লকপা ফৌ মচাশিংদি চরোং পান্দবনা অয়াম্বনি। মরম অসিনা লিংবা নুমিত্তগী চয়োল অহুমগী মতম অসি য়াম্না চেকশিনগদবা তাঙ্ককনি।

শঙম অমগী লৌহৌনফমদা হিদাক মকুপ অসি কিগ্রা–১ চাইগনি। লৌপাক্কীদমক্তদি হার চাইবা খুদিংগী হারগা তোৎনরগা চাইবসু য়াই নত্রগা লৈঙোইগা তোৎলগা নুমিৎ ২০ / ২০ কান্নরগা চাইবসু য়াই।

**ব্রজমনি থৌদাম**